

কাই হবর্টজকী হেদ ট্রিকনা বার্ন্সলেবু চেলসিনা পাঞ্জল ৬-০দা থোইখ্রে, অর্সনেলসু মায় পাকপা ঙমখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী): করাবাউ কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা কাই হবর্টজকী হেটট্রিকনা বান্সলেগা শান্নবদা চেলসিনা পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অর্সনেলসু লৈচেষ্টরগা শান্নবদা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, চেলসি ফুটবোল ক্লবনা কাই হবর্টজ হন্দক্কী সিজন অসিদা য়ু এস দোলর মিলিয়ন ৯৪দা জর্মনিগী ক্লব বেয়র লেবরকুসেনদগী সাইন তৌখিবনি। হবর্টজনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী অহৌবা গেম অনীদা ফজবা ঙমখিদ্রবসু ঙরাংগী মেচ অদুদদি ক্লব অদুনা হন্দক্কী সিজনদা মিলিয়ন পাউন ২০০ চঙনা তোঙান তোঙানবা শান্নরোয় কয়া অমা সাইন তৌবগী কান্নবা অদু ফংবা ঙমখি।

টিম অসিগী কোচ হান্নসু ক্লব অসিদা শান্নরম্বা ফ্রেঙ্ক লেম্পার্দনা মহাক্লা হবর্টজদগী পামখিবা অদু ঙরাংগী মেচ অদুদা ফংবা ঙমখি হায়রি। মেচ অদুদা নৌনা সাইন তৌখিবা অতোপ্পা শান্নরোয় থিয়াগো সিলভা অমসুং বেন চিলৱেলসু শরুক য়াবা ঙমখি।

মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা চেলসিগী তামি অব্রাহমনা চনখি। মখা তারকপা শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী মেসন মাউন্ট টনা পীরকপা বোল অমদা কাই হবর্টজনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মতম য়ামদ্রিঙৈদা চেলসিনা মখা তানা এটেক কয়া চত্থরকখি। ৪৯শুবা মিনটতা রোজ বারক্লেনা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। বার্ন্সলেগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙম্নবগী খুদোংচাবা ফংদনা লৈরি।

মেচকী ৫৫শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা টামি অব্রাহমনা হাইদোরকখিবা বোল অমদা কাই হবর্টজনা মহাক্কী অনীশুবা অমদি টিমগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

মিনট ১০ লৈরবা মতুং মখোয় অনীগী কম্বিনিসনা অমুক ফজরক্লুনা অব্রাহমনা পীখিবা বোল অমদা হবর্টজনা শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা মহাক্কী হেটট্রিক অদু চন্দুনা বার্ন্সলেবু ৫-০দা হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ৭ তা ঙাইরবা মখা তাবা চেলসিগী এটেক অমদা বেন চিলৱেলনা পীরকখিবা বোলদা ওলিবর জিরোদনা মেচ অদুগী তরুকশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকখি। মরিশুবা রাউন্দা চেলসিনা টোটেনহাম হোটস্পর অমদি লেটন ওরিয়ন্ট অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাংগী অতোপ্পা মেচ অমদা অর্সনেল অমসুং লৈচেষ্টর সিটি লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা অর্সনেলগী এটেক অমদা লৈচেষ্টর সিটিগী খৃষ্টিয়ন ফুকনা থকচিনখিবা বোলনা অহানবা পাঞ্জল অদু ৫৭শুবা মিনটতা ওইখি।

মেচগী ৯০শুবা মিনটতা অর্সনেলগী এদৱর্দ নেটিয়ানা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকখি। অর্সনেলনা ৪শুবা রাউন্দদা লিবরপুল অমদি লিনকন সিটিগী অথোইবগা শান্নরগনি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দ মেচশিংদা মায় পাকখ্রবা টিমশিং অদুদি ফুলহাম, ষ্টোক সিটি, ন্যু কাষ্টল য়ুনাইটেদ, ব্রাইটন এন্দ হোব অলবিয়ন অমসুং বুর্নলেনি।

ইন্দিয়াগী অনকিটা রাইনা ফ্রেঞ্চ ওপন ক্বালিফায়রদা লৈহৌরে

পেরিস, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী): চৎলিবা থা অসিগী ২৭তগী হৌগদৌরিবা ক্লে কোর্টকী অমত্তা ঙাইরবা গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন শরুক য়াননবা পাঙথোকপা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয় অনকিটা রাইনা অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌরে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবী অনকিটা রাইনা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী শান্নরোয় কুরুমি নরাগা লম্বা তৌনখিবনি। অহানবা সেট অদুদা কুরুমি নরানা অনকিটাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌখিদুনা ৩-৬তা মায়থীবা নংখি।

মহাক্কী মায়কৈদগী সর্ভিস গেমশিং অদু হোল্ড তৌনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। মদুগী খুদোংচাবা অদু জপানগী শান্নরোয় অদুনা লৌবা ঙমখিবনি। অনীশুবা সেটতসু জপানগী কুরুমি নরানা অনকিটাগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা অনীশুবা রাউন্দ অদু লোইশিনখি।

অনকিটা রাইনা মায়থীহৌবদগী ফ্রেঞ্চ ওপনদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমত্তা সিঙ্গলসকী কম্পিটিসন্দা য়াওবা ঙম্লরোই। নুপাগীদা প্রজনিস গুনেশ্বরন ঙরাং অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌবনি। অদুগা সুমিট নগাল অমসুং রামকুমার অহানবা রাউন্দদা লৈহৌখ্রবনি। নুপাগী দবলসতা রোহন বোপানা অমদি দিবিস সারননা তোঙান তোঙানবা পার্টনরগা শরুক য়াগদৌরি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মমিং লৈরবা ক্রিকেটর দিন জোন্স লৈখিদ্রে

মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী): মমাঙদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মমিং লৈরবা ক্রিকেটর অমা ওইরম্বা হৌজিক হৌজিক্লা কম্মেনটেটর অমা ওইনা মীয়াম্না মশক খঙনরবা দিন জোন্স মুম্বাইদা ঙসি হার্ট এটেক তৌদুনা লৈখিদ্রে। মশাগী চহী ৫৯ শুখ্রবা দিন জোন্সনা মহাক্কী করিয়রদা ওষ্ট্রেলিয়াগীদমক টেষ্ট মেচ ৫২ অমসুং ৱান দে ইন্টরনেসনল মেচ ১৬৪ শান্নরকখি।

মহাক মুম্বাইগী হোটেল অমদা হার্ট এটেক তৌদুনা লৈখিদবনি। মহাক লৈখিদবদা ক্রিকেটকী মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়ানা অৱাবা ফোঙদোক্লুরক্লি। ন্যু দিল্লিদা লৈবা ওষ্ট্রেলিয়ান হায় কম্মিসন্নসু হায় কম্মিসনগা ষ্টার স্পোর্টস টেলিভিজন চেনেলগা পাউ ফাওনদুনা মখা তাবা লৌখৎকদবা থবকশিংগী মতাংদা খন্নখি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

জয়কুমার তখেল্লম্বম, খুরাই অহোংগৈ

মণিপুর খক্তা নত্তনা মালেমগী তোঙানবা লৈবাকশিংগী পুৱারী হংগৎনা য়েংলুবদা নিংথৌরোলশিংগী লৈবাক ঙাকলোন্দা ৱাথোক কয়া চৎনদুনা লাকখি। মতমদুগী মীয়াম্না য়ানবা আইন শেমদোক-শেমজিন তৌই। য়ান-য়ানবা হোৎনদুনা লৈবাক মরা চেৎহল্লি। য়ূমলোন্নবা লৈবাক্তা মচা-মশু থাজনদুনা নুংশিনবা মরী থমনৈ। লৈঙাক অসিনা পার্লিয়মেন্টরি সেক্রেটরি ১২ হাপখিবদু ওফিস ওফ প্রোফিট এপোইন্টমেন্টতা হাপ্পা য়াদে। ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৯১ (১-এ)দা পল্লি। জি এ দিনচিংবা পীবা সেলরি অমসুং এলাৱেন্সশিং ওফিস ষ্টাফ গাড়িনচিংবা ফংই। মদুসু কেবিনেট থাক্তনি। আর্টিকল ১৯২দনা গভনরনা প্রোফিট ফংবা এম এল এ দিসক্বালিফাই তৌবগী থবক পায়খৎনবা পল্লি। পার্লিয়মেন্টরি সেক্রেটরি হাপ্পা রিপিলিং এক্ট ২০১২ অমসুং এক্ট ২০১৮ হায় কোর্ট ওফ মনিপুরনা ককখ্রবনি। হাউসতসু সেভিং ক্লোজগী মতাংদা য়েৎনবা থোকখি। মতম-মতম অদুগী লৈঙাক্লনবা হোৎনবদা আইনগী ৱাংমদা থায়নদগী থৌদোক ৱাথোক কয়া মায়োক্লে। দিম্মোক্রেসি চৎপা লৈবাক্লি। মীদিয়া অমসুং কেমেরাগী মমাংদা চেনা পনবা য়ারোই। অচুম-অরান, অনৌবা মণিপুর অমা লাকপা ওইরসনু।

অথোকপম বিনোই, তেরাখোং মনিং লৈকায়, কুম্বী

লৈবাক অমা অফবা মায়কৈদা পুরকপদা মগুন লৈবা মহৈ-মশিন হায়বসি মরু ওইহায়জনিংই। মগুন লৈবা মহৈ অমা হায়বসিদা ওজা হায়বা শিনফম অসি কাউথোকপা য়ারোই। মতম অমদা গভর্ণমেন্ট স্কুলগী ওজাশিংনা অফবা মহৈরোয় কয়ামরুম পুথোকখি। অদুবু হৌজিক্তি কয়া উরক্লে হায়বা য়াই। মসি করিদগীনো হায়না নৈনবা য়াই। গভর্ণমেন্ট স্কুলগী ওজাশিং পামদবা, গভর্ণমেন্টকী থবক অদুখক্তং পাম্বগীরা? নৎত্রগা শিনফমদুদা কৎথোকপগা লোয়ননা অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোকপগী গুন য়াওরসু হোংলকইবা মতমগী ইচেন্না তোলোপ ফংলদি য়ারে খল্লকপগীরা মরম খরদি লৈরমগনি। অদুনা মমা-মপাশিংনা গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোই য়াওনা মচাবু অফবা মহৈ পীনিংলবদি লনাই স্কুলশিংদা মীৎয়েং চঙলক্লিবনি। মণিপুরদা লনাই স্কুলশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। লনাই স্কুলশিং লৈরমদ্রবদি গভর্ণমেন্টতসু থবক ফংদ্রবা নহাশিংগী কোক শারমগনি। অদুবু অফবা মহৈরোয় কয়া লমজিংবদা চোকথবা লৈত্রবা লনাই স্কুলগী ওজাশিংগী অৱাবদি লোকদাউন হৌরকপদগী ঙসি ফাওবা কনানসু খনবিদে। মরম অদুনা থাগী তোলোপ ফংদনা ৱানা লৈরিবা ওজাশিংগীদমক লৈঙাক্লা থৌরাং-থৌশিল অমা য়াৎপীদুনা মতেং পাংবিয়ু হায়জরি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ফুটবোল অমসুং নেট খুৎশিন্নখ্রে

য়াইরিপোক, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস): কেক্রু য়াইরি ক্লব য়াইরিপোক (কে ৱাই সী ৱাই) না ক্লব অসিগী ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা থা ৩ চুপ্পা চত্থগদবা ফুটবোল কোচিং কেম্প ঙসি নুমীৎ ২১ শুখিবগা লোয়ননা মায় পাক্না চত্থরি। তোঙান তোঙানবা লূপ অমসুং লন্নাই মীওই কয়ানসু বোল, নেট, চান-থক্লবা পোৎলম কয়াসু লেপ্তুনা মতেং পাংলক্লি।

মমাঙ থা ওগষ্ট ৩দগী কে ৱাই সী ৱাইগী গ্রাউন্দদা চত্থরকখিবা ফুটবোল কোচিং কেম্প অদুগীদমক ঙসি ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো) অমসুং ওল য়াইরিপোক য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অয়ুকো) অনীনা ফুটবোল অহুমগা গোল নেট অনীগা অয়ুকোগী সেক্রেটরি কোইতাম রাজেননা ক্লবকী মীহুৎশিংদা খুৎশিন্নখি।

অসিগুম্বা তুংগী অফবা খুন্নাই অমা শেমগদৌরিবা অফবা থবক থৌরমশিং খুদিংদা অমুকো অমদি অয়ুকোনা অঙম্বা মতেং পাংখিগনি। কোচিং কেম্প অদুবুসু মায় পাক্না চত্থবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না ওর্গনাইজেসনশিংগী মহুৎ শীল্লগা অয়ুকোগী সেক্রেটরি কোইতাম রাজেননা য়াইফ পাউজেলসু পীখি।

লোয়নননা অসিগুম্বা শান্নোরয়শিংবু শেমগৎতুনা অফবা খুন্নাই অমা শেম্বদা মতেং পাংবীরকখিবা পুম্নমকপুসু কেক্রু য়াইরি ক্লবকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ইষ্টকী ট্রান্সফর ৩২ শুখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিং ট্রান্সফর তৌখিবা মশিং ৩২ শুখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা শান্নরোয় ৭ ট্রান্সফর তৌনবা চে থাগৎলকপনি। অদুগা ঙসিনা ১৩গী মমিং পীশিল্লকখি। ঙসি মমিং পীশিল্লকখিবশিং অদুদি, নেরোকা এফ সীদা শরুক য়াননবা এ আই এমদগী এ রিসন অমসুং এম দি সনা, আর এ য়ুদগী এল দেবিদ লোয়ননা পি ৱাই এদগী এম দি ইস্রা খান অমসুং এম দি সোহেব খাননি।

কে এস দি সীদা ট্রান্সফর তৌনবগীদমক চে থাগৎলকখিবশিং অদুদি এস এস সীদগী পি সাহিল, অবাদগী এম দি অতিকুর, অবিদ খান অমসুং য়ু পি এদগী এম দি নৱাজনি। অবাদা লাক্লবা চে থাগৎলকখিবশিং অদুনা ৱাই দেবিদ, এল অজয় অমসুং এম দি গুলজারনি। এলেবেন ষ্টারদা লাক্লবা এস কাশিমনা চে থাগৎলকখি।

চেলসিনা মেন্দি অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদনা স্বারেজ সাইন তৌখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী): ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব চেলসিনা ফ্রান্সকী ফুটবোল ক্লব রেনদগী চহী ৫গী কন্ট্রেক্টতা এদৱর্দ মেন্দি সাইন তৌনখ্রে। অমরোমদা স্পেনগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব বর্সেলোনাদগী লুই স্বারেজ এটলেটিকো মাদ্রিদতা শান্নরগনি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা এদৱর্দ মেন্দি ফ্রান্সকী ফুটবোল ক্লব রেনগী গোল কিপ্পরনি। সেনিগাল মচা অসি চেলসিনা বৃটিশ পাউন মিলিয়ন ২২দা সাইন তৌনখিবনি। হান্না চেলসিগী গোল কিপ্পর ওইরম্বা কেপানা কুমজা ২০১৮দা স্পেনগী এথলেটিক বিলবাওদগী চেলসিনা মহাকপু মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা গোল কিপ্পর ওইনা য়ুরো মিলিয়ন ৮০দা লৈখিবনি।

অদুবু হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা লিবরপুলগা শান্নবা মেচ অদুদা মহাক্কী অশোয়বা কয়া য়াওখিবদগী পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা নংখিবনি। উরুগ্বে মচা লুই স্বারেজ মমাঙদা স্পেনগী বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবতা কুমজা ২০১৪দা ইংলেন্দগী ক্লব লিবরপুলদগী ট্রান্সফর লাকখিবনি। মহাক অতোপ্পা স্পেনগী ফুটবোল এটলেটিকো মাদ্রিদনা নৌনা সাইন তৌদুনা টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর ওইনা লাক্কদৌরিবা সিজন অসিদা শরুক য়ারগনি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফুটবোল শান্নরোয় ১৫ ট্রান্সফরগীদমক চে থাগৎলক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মখাদা লৈবা ফুটবোল ক্লবশিংনা কুমজা ২০২০ সিজনগী ট্রান্সফরগীদমক পুন্না ঙসি শান্নরোয় ১৫গী মমিং পীশিল্লকখ্রে।

নিশা ফুটবোল ক্লবতা লাক্লবা চে পীশিল্লকখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি, থাউদগী ভি জাচি চিরু, এস সেখো চিরু অমসুং লাইশ্রম রোবিন্সন, দি এম রাউদগী এলাংবম জোন্সন অমসুং লাইশ্রম জিবননি। য়ং ফিজিক্তগী কে নরেশ কুমার, এম সী সীদগী লৈমজম শঙ্কর অমসুং ৱাই দি ওদগী চনম চিংলেন মৈতৈনি।

দল্লিয়ু এ এফ এ ফুটবোল ক্লবতা লাক্লবা এপ্লাই তৌরকখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি, সগোলবন্দ য়ুনাইটেদতগী সী ঐচ আনন্দ কুমার, ৱাই সুরজ, আই সঞ্জু, এন রাধাকান্তা অমসুং হুইদ্রোম পিয়াবুংনি। লোয়ননা দি এম রাউদগী এলাংবজ জয়কিষন অমসুং নিশাদগী সগোলশেম মৈরাবনি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৫।০৯।২০২০ ইং, ইরাই; মেরাগী ৯ নি পানবা।

মেষ: পনন্দুনা লৈরকপা থবক পাংগনি, শেলসু ফংগনি, ৱানোম-থৌনোমসু কান্নগনি অমদি লৌশিং য়াম্না ফংগদবা নুমিৎনি। অদুবু ৱাঙাংবদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃষ: পুক্নিংদা চিংনবা লৈগনি মীৱা থোইনা থাজরুনু। হকচাংদি নুংঙাইবা হেনগনি, য়েক্লবসু মীয়ামগী মতেং ফংবনা হন্থখিনি। অখং-অহৈগী ৱা কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরিদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: মীয়াম্না য়াগনি, নচা-ননাইসু হেনগৎকনি অমদি লন চংগনি। অদুবু ললোন ইতিক অমদি লৈঙাক্কী লমদা অনম তানবা কান্নরোই। নোল্লুক্লা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট: নিংবা শোইদনা থুংগনি অমদি অফবা মীংচৎসু ফংগনি। থৌনা লৈবনা অমদি ঙাংবা শকপা হৈবনা চাওনা কান্নবা ফংগনি অরুবা থবক পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ: মীচং হেনগৎলনি, ললোন ইতিক চাওনা কান্নগনি অমদি ৱাখল লৈবনা অনৌবা থৌশিং পুথোকপা য়াগনি। পাউদি নুংঙাইরোই, মীতোপ লোইনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা: নচাক নরল চাওখৎপদি লৈ। অদুবু ৱাখল মওল মওলখনবা অমদি কোক শাবদি লৈগনি। লাইগুরুনা চানবীবা খরসু লৈগনি। মহু চাওবনদি য়েংথি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা: অনম তানবা মাংবনা হেনগনি অমদি চাদিং হেনগনি। লৈঙাক্কী লমদা কাইনবা নংগনি অমদি ঈংথবা ফৈ। অমরোমদা থৌনা ফুদোকপনা থৌ পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: মীচং হেনগৎপগুম নুংঙাইবা লৈগনি, হকচাংসু নুংঙাইবা অমদি মরুপ-মপাং লোইনবনা চাওনা মাই পাকচবা নুমিৎনি। অফবা মীংচৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

ধনু: থাজদনা নুংঙাইবা ফংগনি, পাউ নুংঙাইবা তাগনি অমদি অকিবা মাংখিনি। অদুবু হোয়া ফরুনু ৱা ঙাক্তদনা তোক্লনি অমদি অহৈ-অশিং শাদবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মকর: হরাওবা নুংঙাইবা, শেল-থুম ফংবা অমদি মীচং হেনগৎপা লৈ। ঙক কনবা য়াদবা, লৈঙাক্কী লমদা মাংজবা অমদি মীয়াম্না ৱারৌবদি লৈগনি। ঈরাং পুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখলদি নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা: থৌনা অমদি পাঙ্গল ফুদোকপা য়াবা নুমিৎনি। হন্থবা লোইনবা অমদি অরং-অরাক মাংবা য়াবা লৈ। ৱা য়াম্না ঙাংগনু অমদি অখং-অহৈ তান্নবনা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মিন: শেল ফংগনি, মীংচৎ ফংগনি, য়েনরম্বা কোকচগনি অমদি মরুপ মপাং খোম্না য়াগনি। থৌরম শিন-লাংবা হৈগনি অদুবু হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাংকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মাই পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

কে রাহুলগী সেঞ্চুরিনা কিংস এলেবেন পঞ্জাবনা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু রন ৯৭তা থোইখ্রে

দুবাই, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী): কে রাহুলগী য়াম্না ফজবা সেঞ্চুরিনা কিংস এলেবেন পঞ্জাবনা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগা লম্বা তৌনবদা ঙসি রন ৯৭তা থোইবা ঙমখ্রে।

দুবাইগী ইন্টরনেসনল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসিগী টোচ অদু রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা ঙমদুনা বোল হান্না লংখি। মদুদা কিংস এলেবেন পঞ্জাবগী মায়কৈদগী ওভর ২০ দা শুপ্নগী ৱিকেট ৩ খক তুরগা রন ২০৬ লৌখি। টিম অদুগী কেপ্টেন কে এল রাহুলনা ওপন্নর ওইদুনা শান্নরকপদা আউট ওইদনা বোল ৬৯ মায়োক্লবদা সিক্স ৭ অমসুং ফোর ১৪ য়ৈরগা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি।

অতোপ্পা ওপনর এম অগরৱালগী রন ২৬, পুরানগী রন ১৭ অমসুং নাইয়রগী রন ১৫ পনবা য়াই। মায় পাক্লনবা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী মায়কৈদগী ওভর ২০ দা রন ২০৭কী টার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা মখোয়গী বেটচমেন ১০ মক ওভর ২০দা শুপ্নগী রন ১০৯ খক লৌরগা আউট ওইখি।

টিম অদুগী হৌরকপদা ফীভম য়াম্না শোকখি। ইনিংসকী অহুমশুবা ওভরদা স্কোর বোর্দতা রন ৪ খক্তমক লৈরিঙৈ বেটচমেন ৩ আউট ওইখি। কিংস এলেবেন পঞ্জাবকী বোলরশিংগী ফজবা অদুদা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী বেটচমেনশিং রন লৌবদা অৱাবা অমা ওইখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি শুপ্নগী রন ১দা আউট ওইখি।

তরুকশুবা বেটচমেন ৱেসিংতন সুন্দরনা বোল ২৭তা রন ৩০ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। ৫শুবা বেটচমেন দি ভিলিয়র্সনা বোল ১৮দা রন ২৮ লৌখিবা, ওপনর অরোন ফিন্সনা রন ২০ লৌখিবা অমদি সিভম দুবেনা রন ১২ লৌখিবা অদু পনবা য়াই।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা মেচতা দিল্লি কেপিটেলস অমসুং চেন্নাই সুপর কিংস শন্নগনি।

ইব্রাহিমোবিস কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে

রোম, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী): ইটালিগী ফুটবোল ক্লব এ সী মিলানদা নৌনা শরুক য়াদুনা শান্নরিবা স্বিদেন মচা জলাটান ইব্রাহিমোবিস কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকখ্রে। মহাক হোম আইসোলেসন তৌরবা মতুং ওক্টোবর ১৭তা শান্নবা য়ারগনি হায়রি।

মোদিনা জে এন্দ কেগী নুপী ফুটবোল শান্নরোয় অপসানবু থাগৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি পাঙথোকখিবা ফিট ইন্দিয়া দাইলোগকা মরী লৈননা জম্মু কাশ্মিরগী নুপী ফুটবোল টিমগী গোল কিপ্পর অমসুং কেপ্টেন ওইরিবী অপসান অশিকপু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ২৫ শুরবী অপসান ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা এফ সী কোলাপুর সিটিদগী শরুক য়ারকখি। কুমজা ২০১৭দা অপসাননা জম্মু কাশ্মিরদা মফম অদুগী পুলিসশিংগী মায়োক্তা য়ানিংদবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা নুঙনা থাজিনবগী ফোটোশিং ভাইরেল ওইখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি মহাক শান্নবগী লমদা নীংথিনা মায় ওনশিন্দুনা অতোপ্পা নহা ওইরিবী কয়া অমগী ফিদম্নফম ওইরক্লি।

ঙসিগী ফিট ইন্দিয়া দাইলোগ অদুদা মিনিষ্টর ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস কিরেন রিজিজুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা হকচাং ফনা লৈনবগী খোঙজং নীংথিনা পায়খৎলকপা অসিদা হরাওবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা লৈঙাক্লা তোঙান তোঙানবা চহী কাঙলুপশিংগী ওইবা হকচাং ফননবগী প্রোটোকোল কয়া অমসু পীবা লৈখ্রবনি।

মোদিনা দাইলোগ অদুদা ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন ভিরাট কোলিদা য়ো-য়ো টেষ্টনা হকচাং ফিট ওইনবা হোৎনবদা করম্না মতেং পাংখি হায়বনচিংবা ৱাহং কয়া অমসু হংখি।

কোচশিং রেজিষ্টর তৌনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থোকখিবা মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না এ আই এফ এফ 'দি', 'সী' অমসুং 'বি' লাইসেন্স পায়রবা কোচশিংনা পীরিবা ৱেবসাইট http://coaching.the-aiff.com অসিদা লোগইন তৌদুনা রেজিষ্টর/রিন্যু/অপগ্রেদ তৌগদবনি হায়রি।

রেজিষ্টর/রিন্যু/অপগ্রেদ তৌদবা কোচশিংনা টিম অমত্তা ট্রেনিং পীবা য়ারোই হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরিগী মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি।

ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট বেকনা টোকিও গেমসকী মতাংদা ৱারী শাখ্রে

টোকিও, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী মতাংদা জপান লৈঙাক্কী ওফিসলশিং অমদি গেমস অদুগী ওর্গনাইজরশিংগা ওনলাইনদা ৱারী শানখ্রে।

থোমাস বেকনা ৱারী শানবা অদুদা জপান লৈঙাক্কী ওফিসলশিং অমদি ওর্গনাইজরশিংবু গেমস অসি মথং চহীগী জুলাই থাদা শুংশোয় শোয়দনা পাঙথোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা পীরদুনা মতম অদুদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ৱাৎতনা লৈরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ফ্রান্সতা সাইক্লিংগী মমিং লৈরবা ইভেন্ট টুর দি ফ্রান্স ভেক্সিন য়াওদনা সাইক্লিশিংনা শরুক য়ারি। অদুবু ভাবোক্কী মশিংদি হন্থহনখি। ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন অমদি অতোপ্পা এক্সপর্টশিংগা কুপ্না নৈনদুনা ভেক্সিনগী মতাংদা চিংনিনিংঙাই ওইদ্রে হায়না ফোঙদোকখি। মথং চহীগী হৌরকপদা তোঙান তোঙানবা ভেক্সিন কয়া মরাং কায়না ফংলগনি। হৌজিক হৌজিক য়ু এস এ অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অসি টেষ্ট তৌবগী অরোইবা ফেজ য়ৌদুনা লৈরে হায়নসু থাজবা পীখি।

LOAN AVAILABLE
ONE DAY DELIVERY FOR CLASSIC-350
EWMPLOYMENT NEWS:Car Driver,Security,2 Wheeler Mechanic
OFFICE ASST. (KAKCHING,SAMUROU,NAMBOL,KHANGABOK,MOIRANG,)
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 8731978490/9774495994
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP.,
NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com